রাজনাথনা পি এমদা ব্রিফ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১৬, (এজেন্সি) :

চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মিগা খুৎ থোক্লবদা ইন্দিয়ন আর্মিগী মায়কৈদা মীশি-মীনা খরা নংলিবা ইষ্টর্ন লদাখকী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ব্রিফ তৌখ্রে। মফম অদুগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা সিংহনা এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর এস জয় সঙ্কর, চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনরেল বিপিন রৱাট অমসুং সর্ভিস চীফ অহুমগা সাউথ ব্লোক্তা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনখিবনি।

সী দব্লিয়ু সীনা খন্নরগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ১৬, (এজেন্সি) : কোংগ্রেস ৱর্কিং কম্মিটিনা লাক্লিবা জুন ২৩ দা মীফম অমা ফমদুনা লৈবাক অসিনা চাইনা অমসুং নেপালগা মুক্লবগী ফিভমগী মতাংদা খন্নরগনি। এল এ সীদা থোকখিবা ইন্দিয়ন লান্মীশিং শিহনখিবা থৌদোক লুনা লৌই হায়রি।

নোর্থ কোরিয়ানা বোর্দরদা লৈবা লিএজন ওফিস এক্সপ্লোসিভস শীজিন্নদুনা থুগায়খ্রে

공동연락사무소
개소식

সিওল, জুন ১৬, (এজেন্সি) :

সাউথ কোরিয়াগা মরী ফগৎনবগীদমক্তা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদা বোর্দর টাউন কেসোংদা লৈরিবা লিএজন ওফিস লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্যোংয়াংনা এক্সপ্লোসিভ শীজিন্নদুনা থুগায়খ্রে। করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ন দিফেক্তঃরশিংনা প্রোপেগন্দা লিফলেটশিং নোর্থতা থাবগী কেম্প্যান চথরকপা তারবদি এক্সন লৌখৎকনি হায়না কিহনখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী কে সী এন এ ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা, নোভেল কোরোনাভাইরসকী অকিবনা মরম ওইদুনা হৌখিবা জন্যুৱারিদগী থোঙ লোল্লকখিবা ওফিস অদু মতিক ময়াই লৈরবা এক্সপ্লোসিভশিং শীজিন্নদুনা চাওনা পোকখায়হল্লগা থুগায়খ্রে।

সাউথ কোরিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা রিলিজ তৌবা ব্লেক এন্দ হ্বাইটস সর্ভিলেন্সনা মথোল মরিগী ষ্ট্রকচর অদুবু উফুল ওন্না থুগায়খিবা মানবা অচৌবা পোকখায়বগী শক্তম অমা উৎখি। ব্লাষ্ট অদুনা থংননা লৈবা মথোল ১৫ ৱাংবা লিএজন ওফিস অদুদা থবক তৌবা সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংগী লৈফম ওইবা বিল্ডিং অমসু অমাঙ-অতা খরা থোকহনখি।

ওফিস অদু মথৌ পাঙথোক্লিঙৈ মতমদা য়েংথিনরিবা লৈবাক অনীগী এম্বেসি অমা ওইনা শীজিন্নখি অমসুং অসুম্না থুগায়খিবা অসিনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন-জে-ইন্না নোর্থকা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহন্নবগী থৌরাংশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি হায়রি।

সাউথ কোরিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ইমর্জেন্সি মীফম অমা কৌখিবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা উংখৎনবা হেনগৎহন্নবা হোৎনরকপা তারবদি অকনবা মওংদা পাউখুম পীগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ফিভম নুংনাংনিঙাই ওই হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়ানা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মায়কৈ অনীমক্লা পুক্নিং ফথনবা অপিল তৌখ্রে।

কোরোনাভাইরস ট্রুস লোইখিবদগী য়েমেনদা হাৎন-শুনবগী ইরাং কনখৎলক্লে

দুবাই, জুন ১৬, (এজেন্সি) :

ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হৌথি মুভমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাউদি অরাবিয়াগী খা রোমদা কাপশিল্লকখিবা বলিষ্টিক মিসাইল অমা লমখাংদা থুগায়খ্রে হায়না য়েমেনগী লান্দা শরুক য়ারিবা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না ফোঙদোকখ্রে।

মমাংগী নুমিৎকী অহিংদা দ্রোন কয়ামরুম ইন্টরসেপ তৌখ্রবা মতুংদা কোলিসনগী মায়কৈদগী ক্লেম অসি তৌরকখিবনি। কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্লা মরম ওইদুনা চয়োল ৬ চৎনরকখিবা সীজফায়র হৌখিবা থাদা লোইখিবদগী নোংচুপ্লোম্না শৌগৎপা এলাইয়ন্স অসিগা হৌথি গ্রুপকা হাৎন-শুনবা হেনগৎলকখি।

কোলিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, মিসাইল অদু সাউথি অরাবিয়াগী খং থংবা লমদম নাজরং তম্না কাপ্লকখিবনি। মমাংদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা খা থংবা সিটি খামিট মুসাইট তম্না কাপ্লখিবা খুৎলায় য়াওবা দ্রোন কয়ামরুমসু থুগায়খ্রবনি হায়না কোলিসন্না ফোঙদোকখি।

হৌথি মিলিটরি স্পোক্সমেন অমনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়খি মদুদি, খামিট মুসাইটতা এটেক তৌখিবদু কোলিসনগী এয়র ষ্ট্রাইকশিংগী পাউখুম ওইননি। মিসাইল এটেক অদু খুদক্কী ওইনা কনফার্ম তৌবা ঙমখিদে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা হৌথি হেল্থ মিনিষ্টরনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়খি, কোলিসন্না চথরকখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা সদার প্রোভিন্সতা অঙাং ৪ য়াওবা মীওই ১৩ শিখ্রে। অমরোমদা, কোলিসনগী স্পোক্সমেন অমনা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউখুম পীয়ু য়াখিদে হায়রি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হৌথিশিংনা পায়শিল্লিবা সানাদা কোলিসনগী ৱার প্লেনশিংনা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথখি হায়না উহৌবশিংনা ফেঙদোকখি।

ইজরেলগী থৌরাং য়ু এন রাইটস এক্সপার্টশিংনা কন্দেম তৌখ্রে

জিনিভা, জুন ১৬, (এজেন্সি) :

ইজরেলনা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী য়াল্লবা শরুকশিং লৌশিন্নবা থৌরাং তৌরিবা অসিনা টেরিটরি অদুবু ফোর্স শীজিন্নদুনা লৌবদা অথিংবা থল্লিবা ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনগনি হায়না য়ু এন হ্যুমেন রাইটস এক্সপার্টশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদা থৌরাং অদুবু কন্না থিংনবা অপিল তৌখ্রে।

ইন্দিপেন্দেন্ট এক্সপার্ট ৫০ রোম্না খুৎয়েক পীবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা পলেষ্টিনিয়নশিংনা ষ্টেট অমা শেমজনবা হোৎনরিবা লমদা ইজরেলগী সোভরেন্টি য়ৌহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা লাংখৎলকপা লোগী মায়োক্তা ওইবা থৌরাংদা য়ু এসনা শৌগৎপগী থৌওংবুসু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

ওক্যুপাইদ টেরিটরি লৌশিনবা হায়বসি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চার্টর অমসুং জিনিভা কনভেন্সনশিং চাওনা খোঙ্গাওনবা থোক্কনি অমসুং খোঙথাং অসি লান নৎত্রগা ফোর্সনা লম লৌশিনবা য়ারোই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিল অমসুং জেনরেল এসেমব্লিনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না লেপখ্রবা ফন্দামেন্টেল রুলগী মায়োক্তনি। লম চাদা ৩০ রোম লৌশিনখ্রবা মতুংদা পলেষ্টিনিয়নশিংগী অপান্বদু করি থোকপা য়াই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

‘বৈজিংগী লাইচৎনা রুহানদগী হেন্না শাথিবা য়াই’

বৈজিং, জুন ১৬, (এজেন্সি) :

চাইনাগী কেপিটেল সিটি রুহানদা শুপ্পগী নুমিৎ ৪ নিগী মনুংদা থেংনরিবা কনফার্ম তৌবা কেস মশিংগী চাং য়েংলগা সিটি অসিগী সীনফাদি হোলসেল মার্কেটতা থেংনরিবা কোরোনাভাইরসনা লৈবাক অসিদা ইহান হান্না থেংনখিবা লাইচৎ অসিগী হৌরকফম ওইরিবা রুহানবগী হুৱানান সীফুদ মার্কেটতা দিটেক্ট তৌখিবা ষ্ট্রেন অদুদগী হেন্না লৌনগনবা য়াই হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ভাইরোলোজিষ্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রুহান য়ুনিভর্সিটিগী পেথোজেন বাইওলোজি দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর য়াং ঝাকিয়ুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, নুমিৎ ৪ নিগী মনুংদা কেস ৭৯ কনফার্ম তৌখিবা অসিনা বৈজিংদা থেংনরিবা কোরোনাভাইরস অসি য়াম্না কা হেন্না লৌনগনবা ওইদুনা রুহানদা ফংখিবা ভাইরস অদুদগী হেন্না লৌনগনবা য়াই হায়বসি উৎলি।

বৈজিং সেন্টর ফোর দিজিজেস প্রিভেন্সন ফোর কন্ট্রোল (বৈজিং সী দি সী)গী রিছার্সর অমনা হায়খি মদুদি, বৈজিংগী সিনফাদি হোলসেল ফুদ মার্কেটতা অনৌবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থোকহল্লিবা কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেনগী জিনোম সিক্বেন্সিংনা ভাইরস ষ্ট্রেন অসি য়ুরোপ্তুগী হৌরকখিবনি হায়বসি উৎলি।

য়াংনা মখা তানা হায়খি মদুদি, বৈজিংদা শন্দোক্লিবা কোরোনাভাইরস মখল অসি সিনফাদি মার্কেটতা থেংনরিবা অমসুং য়ুরোপ্তুগী পুরকখিবা ভাইরসকী মখল অদুগা মান্নবা তারবদি ঐখোয়না বৈজিংদা থেংনরিব ভাইরস অসি চান-থক্লবা পোৎলমশিংনা নৎত্রগা মীওই কয়ানা য়ুরোপ্তুগী চাইনাদা পুশিল্লকখিবনি হায়না ইকোম কোম্না লেপ্পা য়াই। মহাক্কী মতুং ইন্না জিনোম সিক্বেন্সিং অসি হ্যুমেন দি এন এ টেষ্টিংগা মান্নে। ভাইরস অসিগী জিনোটাইপ অদু য়াম্না থুনা ম্যুটেসন তৌবা ঙমফম থোক্তে। ম্যুটেসন হায়বসি মহৌশানা চহী ২ নৎত্রগা ৩ নৎত্রগা চহী ১০ নৎত্রগা ২০ ফাওবগী মনুংদা থোক্কল্লি। মান্নদবা ষ্ট্রেনশিংনা তোঙান-তোঙানবা জিনোটাইপশিং উৎলি। নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা ওথোরিটিশিংনা হোলসেল মার্কেটতা চঙলুবা মীওই লাখ ২ স্ক্রন তৌখি হায়রি।

এফ বি আইনা তান্নরকখিবা অমেরিকান নুপা অমা ইন্দোনেসিয়াদা ফারে

জকার্তা, জুন ১৬, (এজেন্সি) :

বিটকোইন স্কাম অমগা মরী লৈননা ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন্না ফানবা হোৎনরখিবা য়ু এস নেসনল অমা ইন্দোনেসিয়াদা ফারে অমসুং মহাকপু সেক্স ক্রাইমশিংগা মরী লৈননা চাইল্ড প্রোটেক্সন লোগী মখাদা মরাল শীরে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্দোনেসিয়ন পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

জকার্টা পুলিসগী স্পোক্সমেন য়ুনুসনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি মদুদি, রুস অলবার্ট মেদলিন হায়রিবা মীওই অদু পুলিসনা চহী নৌরিবা অঙাং অহুম ৱাহং পাউহংলবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা জকার্টাতা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী ফাখি। মহাক সেক্স ক্রাইমশিংদা চেন্নবা মীশক্লি হায়না চিংনবা মীওইনি। ইন্দোনেসিয়াগী চাইল্ড প্রোটেক্সন লোগী মতুং ইন্না করিগুম্বা কভিক্ট তৌরবদি মহাক চহী ১৫ ফাওবা জেলদা লৈবা য়াই।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা এজেন্সিনা জকার্টাতা লৈবা য়ু এস এম্বেসিদা হংবদা খুদক্তা কমেন্ট পীরকখিদে। অতোপ্পা পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবদা, মেদলিন হায়রিবা মীওই অদু য়ু এসতা ৱায়েল মায়োকহন্নবা থাবা ফাওবা য়াই।

য়ুনুসকী মতুং ইন্না বিটকোইন ষ্টোক্সকী ইনভেষ্টমেন্ট স্কাম অমগা মরী লৈননা মেদলিনবু এফ বি আইনা মখোয়গী ৱান্টেদ লিষ্টতা য়াওহন্দুনা লাকখি। স্কাম অদু দোলর মিলিয়ন ৭২২ রোমগীনি।

সিক্যুরিটি লো য়ানিংদবশিং মীয়ামগী য়েক্লবনি

হোং কোং, জুন ১৬, (এজেন্সি) : হোং কোংদা বৈজিংনা নেসনল সিক্যুরিটি লেসিজলেসন চৎনহন্নবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংগী মায়োক্তা গভর্নমেন্টপু মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরিবশিংনা মখোয়গী থৌওং অদু খুদক্তা লেপ্পবা সিটি অসিগী লিদর কেরি লাম্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অপিল তৌখ্রে অমসুং থৌরাং অদুবু থিংনবা হোৎনরিবশিং মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়খ্রে।

তোখায়না তানবা হোৎনবা, গভর্নমেন্টকী থবক থৌরাংশিং অরেম্বা তাহন্নবা তৌবা, টেররিজম অমসুং মপানদগী খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংশিং থেংননগীদমক্তা হৌখিবা থাদা বৈজিংনা হোং কোংদা লেজিসলেসন অদু চৎনহনবগী থৌরাং লাউথোকখি। লো অদুনা চাইনিজ সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংদা অহানবা ওইনা সিটি অসিদা মখোয়গী বেজশিং লিংবা য়াহনগনি হায়রি। ক্রিটিকশিংনা হায়রিবদি লো অদুনা কুমজা ১৯৯৭ তা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিবু চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নখিবা মতমদা সিটি অসিগী মীয়ামগী মনীংতম্বশিং অমসুং গ্লোবেল ফাইনান্সিএল সেন্টর অমা ওইবগী থৌদাং ঙাক শেন্নবগীদমক্তা য়ানখিবা ৱান কন্ট্রি, টু সিষ্টেমস ফোম্যুলাদা চাওনা শোকহনগনি হায়বসিনি।

চাইনিজ গভর্নমেন্ট অমসুং লামগী বৈজিং শৌগৎপা সিটি এদমিনিষ্ট্রেসন্নদি লো অদুনা মীয়ামগী নীংতম্বশিং হস্থহনবা তৌরোই হায়রি।

বাংলাদেশকী রেদ জোনশিংদা আর্মি দিপ্লোই তৌরগনি

ধকা, জুন ১৬, (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯ পান্দেমিক থিংননবা বাংলাদেশ গভর্নমেন্টনা কোভিদ-১৯গী রেদ জোনশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন ৱাংলকপনা মরম ওইদুনা চাংয়েংগী ওইনা লোকদাউন চৎনহল্লিবা কেপিটেল ধকাগী ইষ্ট রাজাবাজারগী মফমশিংদা আর্মি পর্সনেলশিং হৌজিক পেট্রোলিং তৌহল্লি হায়না বি দি ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ইন্টর-সর্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স দিরেক্তোরেটনা হায়খি মদুদি, গভর্নমেন্ট ওর্দগী মতুং ইন্না রেদ জোনশিংদা ট্রুপশিংগী পেট্রোলিং হেনগৎলগনি। বাংলাদেশতা কোরোনাভাইরস লাইচৎ থেংননবা শেমখিবা নেসনল কম্মিটিনা ধকাগী মফম ৪৫ রেদ জোনশিংনি হায়না লেপখ্রে। আর্মিনা অতৈ গভর্নমেন্ট এজেন্সিশিং অমসুং রেদ জোনগী মীয়ামগা ৱা তান্নরগা থবক তৌগনি হায়না আই এস পি আরগী দিরেক্তর অব্দুলা ইবন জাইদনা বি দি ন্যুজদা ফোঙদোকখি। থা অনী লোকদাউন লৈরুবা মতুং গভর্নমেন্টনা হৌখিবা মে ৩১ দা ওফিশিং অমসুং পব্লিক ট্রান্সপোটেসন সিষ্টেম থবক তৌবা হৌরকখি। তৌইগুম্বসুং সীটদাওন হাংদোকখিবদগী কোভিদ-১৯ কেস অমসুং মী শিবগী চাং অমুক হেনগৎলকখি।

সেট্টলাইট থাগৎপগী থৌরাং লেপখ্রে

বৈজিং, জুন ১৬, (এজেন্সি) : লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থাগৎনবা মতম লেপখিবা চাইনাগী বৈদৌ নেভিকেসন সেট্টলাইট সিষ্টেমগী অরোইবা সেট্টলাইট টেক্নিকেলগী ওইবা মরম খরদগী থাগৎপা তোকখ্রে হায়না সীচাং স্পেস সেন্টরগী সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মথংগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদ থাগৎলবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরবসু ওপরেসন অদুগী চপ চাবা নুমিৎ অমা লেপাত্রি। চাইনা সেট্টলাইট নেভিগেসন ওফিসগী দিরেক্টর রান চেংকিনা লোঞ্চ অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.১১ তাবা পাঙথোক্লগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখিবনি।

মহাক্কী মতুং ইন্নর বি দি এস-৩ সেট্টলাইট অদু লোঞ্চ তৌখিবা মতুং মিনিট ৪০-৫০ লৈরগা আর্টকী ওর্বিটতা চঙগনি। য়ু এসকী জি পি এস সিষ্টেমগী মপান তাংবা তোক্লবা চাইনানা মশাগী সেট্টলাইট নেভিগেসন সিষ্টেম পুথোকপা হৌখি।

মুক্লবা লৈরিঙৈদা চাইনিজ ফার্মদা কন্ট্রেক্ট পীরম্লে

ন্যু দিল্লি, জুন ১৬, (এজেন্সি) :

লদাখকী মনুং চনবা এল এ সী পরিংদা চাইনানা অকন-অরিং শীংদুনা ইন্দিয়াগী লমগী শরুক্তগী স্কৱার কিলোমিটর ৬০ পাক চাওবা লম পায়শিন্দুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা লৈবাক অসিগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্নমেন্টনা হৌখিবা জুন ১২ দা চাইনিজ মল্টিনেসনল কনষ্ট্রক্সন কম্পনি অমা ওইরিবা সঙহাই টনেল এঞ্জিনিয়রিং কো লিমিটেদ (এস টি ঈ সী)দা লুপা ক্রোর ১,১২৬ কী ওইগদবা কনট্রেক্ট অমা পীথোকখ্রে হায়রি।

রিজনেল রেপিদ ট্রান্জিট সিষ্টেম ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী থবক শীন্নরিবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট, দিল্লি, হরিয়ানা, রাজস্থান অমসুং উত্তর প্রদেশ গভর্নমেন্টশিংগী অপুনবা কম্পনি অমা ওইরিবা নেসনল কেপিটেল রিজন ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসনগী মতুং ইন্না এস টি ঈ সীনা দিল্লিগী ন্যু অশোক নগর-সহিববাদ-মীরুট আর টি এস প্রোজেক্টকী মরক্তা লৈরিবা কিলোমিটর ৫.৬ শাংবা অন্দরগ্রাওনগী শরুক শেম-শাবগী খ্বাইদগী নেম্বা বিদ্দর ওইরকখি।

লুপা ক্রোর ৩০,২৭৪গী প্রোজেক্ট অদুগী বিদিং চহী অসিগী মার্চতা হাংদোকখি। এন সী আর টি সীগী মতুং ইন্না কম্পনি ৫ টেক্নিকেলি কমপ্লাইন্ট ওইখি।

পাউচে খরনা রিপোর্ট অসি ফোঙলকখিবা মতুংদা আর এস এসকী এফিলিয়েট স্বাদেসি জগ্রনমঞ্চ (এস এ এম)না নরেন্দ্র মোদি গভর্নমেন্টতা বিদ অদু কেন্সেল তৌনবা তকশিনখ্রে। এস এ এমগী নেসনল কো-নেসনল কনভিনর অস্বানি মহঞ্জননা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর গদকারিদা চাইনিজ কম্পনি অদুগী বিদ কেন্সেল তৌনবা হায়খিবনি।

ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সর্ভিস হৌবগী ৱাফম মথং থাদা ৱারেপ লৌগদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী) :

ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সর্ভিস হৌবগী ৱাফম মথং থাদা ৱারেপ লৌরগনি হায়না সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর হর্দিপ সিংহ পুরিনা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা থা ২ রোম লেপ্পুরবা মতুংদা মে ২৫দগী দোমেষ্টিক ফ্লাইট সর্ভিস তৌবা হৌখ্রবনি। অদুম ওইনমক ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সর্ভিস হৌবগী মতাংদদি হৌজিক ফাওবা ৱারেপ লৌবা ঙমদনা লাকখি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক্তা ওইরিবা ফীভম কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সর্ভিস হৌনবা ৱারেপ লৌগনি। অরোইবা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈদা মরী লৈনবা পুম্নমক্কী মোত হান্না কৌখিগনি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী চাংসু কুপ্না য়েংশিনখিগনি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়াগী অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ৩,৪৭,৩৬৬ য়ৌরে। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মীশিং ১০,০৭৮ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১,৮৩,৭০২ নি। মালেমগী ওইনা অপূনবা কেস মশিং ৮১,৫৩,৪৭৩ শুরে। শিখিবা মীশিং ৪,৪০,২৩২ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৪২,৫৯,০৮৭ নি।

‘কোভিদ-১৯গী ফিভম লুশিল্লক্লি’

ন্যু দিল্লি, জুন ১৬, (এজেন্সি) :

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী ফিভম নোংম-নোংমগী লুশিল্লকপা নত্তনা ফগৎলকপগী মমি অমত্তা উদে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

জষ্টিস রোহিটন নারিমানননা মকোক লুচিংবা জষ্টিসশিং নভিন সিংহ, বি আর গভাই য়াওবা বেঞ্চ অমনা পঞ্জাবকী বিজিনেস মেন অমা মী চিনবা জেল অমদা অমুক হন্না থাজিনফম থোক্তে হায়না রুলিং পীবগা লোয়ননা ওবজার্ভেসন অসি পীখিবনি।

ꯃꯥꯡꯂꯦ/BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook bearing Saving Account No. 30106426049 issued by SBI, MG Avenue Branch Imphal on the way between Keishamthong and Thangal Bazar on 14/6/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/7145/17

Sd/- Rajkumar Suraj Singh
Keishamthong Thangjam Leirak

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 274 AS & SO, dt. 3/06/2020

Yumnam Brajakumar Singh S/o Y. Meino Singh of Langmeidong Mamang Leikai.

-Vs-

Yumnam Meino Singh S/o Ibomcha Singh of Langmeidong.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 11-06-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিল খুন নং ৭১-লাংমৈদোং পাট্টা নং ১৩৪০ (অনৌবা), দাগ নং ১২৫১, এরিয়া ২.১০ হেক্টর চাউবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার য়ুম্নাম মৈনো সিংহ অপোকপা ৱাই ইবোমচা সিংহ সাং লাংমৈদোং অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা তাওথবী লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

HL-P/6216/17 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref :- Mut. Case No. 184/SDC/IW -L/2020

Mutum Ichantombi Devi C/o Mutum Surchandra Singh of Mayang-Langjing. *...Petitioner*

-Vs-

(Late) Mutum Mangolnganbi Devi W/o Ibobi Singh of Mayang-lLangjing. ... O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

The 16/06/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার মুতুম মঙ্গোলঙানবী দেবী পতি মৃ: ইবোবী সিংহ, সাং ময়াংলাংজিংগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৪৯ - ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ১, দাগ নং ২১৮৪, এরিয়া ১.২৫ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/7144/17 ***Sd/- BC to SDC-IW/Lamsang***

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref :- Mut. Case No. 185/SDC/IW -L/2020

1) Mery Kamei D/o Ningthourel Kamei of Chingkhulong, Lamsang.
2) Kamei Chaoba S/o Ningthourel of -do- *...Petitioners*

-Vs-

(Late) Khullu Kabuini W/o Ningthourel of Yusungkhu. ... O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

The 16/06/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার খুল্লু কবুইনি পটি মৃ: নিংথৌরেল, সাং য়শুংখুনগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫২ - লাইঙমখুলগী অনৌবা পাট্টা নং ৬, দাগ নং ৫৯, ৬৩ অমসুং এরিয়ানা ১.৮৪৫০০, ০২৪০০০ চাউবা লৌফম অনী অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/7144/17 ***Sd/- BC to SDC-IW/Lamsang***



[illegible]
PINEWOOD VIEW SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL

ADMISSION OPEN FOR CLASS XI-Sc.FOR THE SESSION 2020-21

FOR MORE INFORMATION
Please Visit our website : www.pinewoodviewschool.com
and Office of the School from 9:30 a.m. to 2 p.m.
Contact No. : 8258095173, 8131939779, 6009366329

PRINCIPAL
L. Somarjit Singh, Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal

FOUNDERS
L. Kumarjit (BIOLOGY) Former Lecturer, Xtra Edge School
S. Nikunja (MATHEMATICS) Former Lecturer Xtra Edge School

GUEST LECTURERS
L. Ramananda Singh, Retd. Associate Prof. Chemistry
Ch. Rajendro, Retd. Associate Professor Physics
C. Ibotombi Singh, Retd. H.O.D. Mathematics D.M. College
Kh. Dinokumari Devi, Retd. Senior Lect. English

Faculties
ENGLISH: Kh. Anjila, Former Lecturer, Xtra Edge School
CHEMISTRY: A. Sangita, Former Lecturer, Xtra Edge School
BIOLOGY: Meouni L., M.Sc. (D.U) NET (JRF)
PHYSICS: Jeetchand S., Former Lecturer, Xtra Edge School
MATHEMATICS: N. Rojesh, Former Lecturer, Xtra Edge School
MATHEMATICS: I. Sures, Former Lecturer, Xtra Edge School
MANIPURI: S. Renubala, Former Lecturer, Millennium (MIS)

FACILITIES
- For Rankers : Freeship + Scholarship
- Below Rankers and 85% : Freeship + Scholarship of R 5000/- per month (20 seats only)
- 80% and Below 85% : Freeship (20 seats only)
- 70% and Below 80% : Admission Fee Free (20 seats only)

HL-P/7146/17,18,19,20,21...

Delta Advance School [illegible]
Kwakeithel, Imphal (Affiliated to COHSEM)

Admission for Class XI (Sc. & Arts)
through Online/Offline for 2020-21 session

Due to the nCovid-19 Lockdown, the school has given an oportunity to the aspirants of Delta Advance School that

Admission fee will be FREE for 60% & above
Admission fee will be only Rs.1,000 for 45% & above but below 60%

This opportunity is for first 100 students only & ends on 20th June, 2020

For other benefits/facilities, kindly visit Office or website & submit the Original Admit Card for joining Full online Classes.

Website: deltaadvanceschool.com HL-B/6219/17/6-16/7 Sd/- Principal

ꯀꯣꯃꯦꯠ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ
COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School

CLASS XI (Sc.) 2020 ADMISSION NOTICE

Class-XI (Sc.) 2020 online form submission begins from 16th June, 2020 by log in to school website.

Admission for Freeship closed

School will remain closed due to lockdown and institutional quarantine.

For details please visit our school website : www.cometschool.in

HL-B/6218/17